HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ




কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা পাক শন্না চথরকপা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী লাইরৌচীংদা লৈবা ৩৮-শুবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংদা ভেক্সিন কাপ্পা

হায়র সেকেন্দরি এগজামগী মতম অথুবদা লাউথোক্লগনি
☛ লামায় ৫

কাঙলোনগী ৱাংমদা চলাইরিবা আই ক্লিনিকশিং খুদক্তা থোঙ লোনগদবনি
☛ লামায় ৪

মহৈরোয়শিংগী ক্লাস খুদক্তগী হৌনবা এম ঐচ আর সীনা খঙহনখ্রে
☛ লামায় ৪

ঈশিং লৌবগী চার্জশিং থিদোক্ত্রবদি মার্চ ১১দগী দিস কন্নেক্সন চথরগনি
☛ লামায় ২

মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদ, দিপার্টমেন্ট ওফ টেক্সটাইলস কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজনা শীন্দুনা নোর্থ এ ও সীগী হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকপা কনফরেন্স কম বাইয়র সেলর মীট চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌদোকপা



লামায় ১


Vol. 44, Issue No. 322 | শগোলশেল, ফাইরেনগী ১৩ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, February 25, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## সিঙ্গল বেঞ্চকী ওর্দর শীংনরকখিবা লৈঙাক্কী আপীল অমসুং ডা. রাজোগী আপীল হায় কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে

# ডা. রাজোগী কন্ট্রেকচ্যুএল ওর্দর ককথৎখিবা জজমেন্টগী দিরেক্সনশিং থবক্তা ওন্থোক্লবা অমুক হন্না খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা লোয়শঙশিংদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিংনা করিগুম্বা সুপরএন্যুএসনগী চহী য়ৌরদুনা থবক্তগী পোথারবদি মখোয়গী সর্ভিস এক্সটেন্সন মখা তানা তৌরোই অমসুং রি-ইমপ্লোয়মেন্ট তৌরোই হায়বগী মতাংদা য়াম্না ময়েক শেংবা ওর্দরশিং এপ্রিল ২০, ২০০০ অমসুং মে ১১, ২০১৭দা থোক্তুনা ওর্দরশিং অসিগী চৎন-কাঙলোনশিং ইন্দুনা লাল্লিঙৈগী চৈরক্তা হেল্থ সর্ভিসেস, মণিপুরগী দিরেক্টরগী থবক পুরকখিবা ডা. কাঙুজম রাজো, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে পুকচাওবী, শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দবু সুপরএন্যুএসনদা থবক্তগী পোথারবা মতুংদা অতোপ্পা থা ৬কী ওইনা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা ফম অসি পুহল্লকখিবগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী সিঙ্গল বেঞ্চ অমনা জন্যুৱারী ২২, ২০২১দা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুবু শীংনরদুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদ্গী ফাইল তৌরকখিবা রিট আপীল অমা,



ডা. কে রাজো



ডা. পি শ্যামসুন্দর

মসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস অমা অমসুং ডা. রাজো মশামক্তা ফাইল তৌরকখিবা রিট আপীল অমগা পুন্না অহুম্মক কোর্ট অসিগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা দিসমিস তৌখিবগা লোয়ননা হান্নদা সিঙ্গল বেঞ্চনা পীখিবা জজমেন্ট অদুদা য়াওখিবা দিরেক্সনশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্লবা অমুক হন্না খঙহনখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস পুলিগোরু ভেনকটা সঞ্জয়কুমারনা লুচিংবা জষ্টিস এম ভি মুরালিদরন য়াওবা দিভিজন বেঞ্চ অমনা ঙসি হেল্থ সর্ভিসেস, মণিপুরগী দিরেক্টর ওইরম্লদগী নবেম্বর ৩০, ২০২০গী নুমীৎয়ুংবা মতুংদগী সুপরএন্যুএসনদা থবক্তগী পোথাখ্রবা ডা. কে রাজোবু কন্ট্রেক্ট বেসিসতা থা ৬কী ওইনা ফম অসি পুহল্লক্লিবা লৈঙাক্কী ওর্দর অদুবু চৎনহনখিদবা সিঙ্গল বেঞ্চকী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুবু চেলেঞ্জ তৌরদুনা ফাইল তৌরকখিবা রিট আপিলশিং খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌখি।

রিট আপীলশিং অদু মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবশিংনা রিট আপিল নম্বর- ৫ ওফ ২০২১ অমসুং মসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস (রিট আপিল) নম্বর- ১৬ ওফ ২০২১নি। অদুগা লৈঙাক্তা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা থা ৬কী ওইনা হেল্থ সর্ভিসেস, মণিপুরগী দিরেক্টরগী থবক পুহল্লক্লিবা ডা. কে রাজো মশামক্তা আপীলেন্ট ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা রিট আপীল অদুগী নম্বরনা ৪ ওফ ২০২১নি। রিট আপীলশিং অমদি মিসেলিনস কেস অদু ডা. কে রাজোবু কন্ট্রেক্ট বেসিসতা থবক পুহল্লকখিবা লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্না অয়াবা পীখিবা ওর্দর অদুবু কোর্ট অসিমক্তদা চেলেঞ্জ তৌরকখিবা ডা. পি শ্যামসুন্দর, অপোকপা লৈখিদ্রবা পি ইবোতোম্বী, নাওরেমথোং তখেল্লম্বম লৈকায়দা লৈবগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি। রিট আপীলশিং অসিদা মণিপুর লৈঙাক অমসুং ডা. কে রাজোনা ডা. পি শ্যামসুন্দর খক্তা নত্তনা অতোপ্পা ওফিসল অমবুসু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লকখি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা 'পার্ট হর্ট'গী ষ্টেজদা লৈরক্লবা রিট আপীল অনী অমসুং লৈঙাক্না ফাইল তৌরকখিবা মখোয়গী রিট আপীলগা মরী লৈনবা মিসেলিনস (রিট আপীল) নম্বর- ১৬ ওফ ২০২১ অদুগী মখা তাবা ৱায়েলগীদমক ঙসি চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা দিভিজন বেঞ্চ অসিগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১দগীনা ৩ ফাওবগী মনুংদা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎলকপদা রিট আপীলশিং অসিবু মায়োক্লরিবা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মনুংদগী ডা. পি শ্যামসুন্দরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা লেপখি। অদুগা ষ্টেট ওফ মণিপুর অমসুং অতোপ্পা ওফিসল অনীগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা রিট আপীল নম্বর- ৫ ওফ ২০২১গী মায়কৈদনা এদিসনল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা লেপখি। ডা. কে রাজো মশামক্তা আপীল্লেন্ট ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা রিট আপীল নম্বর- ৪ ওফ ২০২১গী মায়কৈদনা কাউন্সেল কে ঐচ সমরজিৎনা লেপখি।

দিভিজন বেঞ্চনা মেট্টরশিং অসি
...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা পীখিবা ওর্দরশিং হায় কোর্টনা ষ্টে তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা চৎলিবা কুমজা অসিগী জন্যুৱারী ২০, ফেব্রুৱারী ৩ অমসুং ফেব্রুৱারী ৫দা তোঙান তোঙাননা পীখিবা কম্মিসন অসিদা ফাইল তৌরকখিবনি হায়বা কমপ্লেন্ট কেস নম্বর ১১ ওফ ২০২১ অমসুং ১২ ওফ ২০২১গা মরী লৈনবা ওর্দরশিং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ষ্টে তৌদুনা থমখ্রে।

মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা লৌখৎখিবা কেস নম্বর ১১ ওফ ২০২১ অদুগী কমপ্লেনেন্টনা থাংমৈবন্দ থিঙেল লৈকায়দগী লাইশ্রম মিলোতি এলিয়জ মিনা (৩০) অপোকপা লাইশ্রম বিরেননি। অদুগা কম্মিসন অসিনা লৌখৎখিবা কেস নম্বর ১২ ওফ ২০২১ অদুগী কমপ্লেনেন্টনা উরিপোক খোইস্নাম লৈকায়দগী চনম্বম প্রেমাবতি (২৮) অপোকপা সী ঐচ হেমোচন্দ্রনি।

কমপ্লেনেন্ট অনীমক্কী কমপ্লেন্ট কেসশিং অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা নাগামপাল কাংজাবী মচিন্দগী নেন্সি পোৎশংবম (৩১) অমসুং মহাক্কী মপুরোয়বা বলাজি মেচিনরিজগী প্রোপ্রাইটর ওইরিবা রোম্মেল নাম্রাম অমসুং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন চার্জনি।

কম্মিসননা কমপ্লেন্ট পিটিসন অনীমক লৌখৎতুনা জন্যুৱারী ২০, ২০২১ অমসুং ফেব্রুৱারী ৩, ২০২১দা চথখিবা প্রোসিদিংশিংগী মতুংইন্না কমপ্লেন্ট কেস অনীসিগী রেসপোন্দেন্টশিংগী মনুংদা য়াওরিবা নেন্সি পোৎশংবমবু কম্মিসন অসিদা থা অসিগী ৩ অমসুং ২৪দা লাক্নবা খঙহল্লকখিবনি। অদুম ওইনমক এম ঐচ আর সীনা লৌখৎলিবা কমপ্লেন্ট কেস অনীসিগী রেসপোন্দেন্টশিংগী মনুংদা য়াওরিবা নেন্সি পোৎশংবমনা কম্মিসন্না পীখিবা ওর্দরশিং অসিগী মায়োক্তা মসিবু শিংনরদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা সিভিল রিট পিটিসন অনী ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্কী পিটিসনশিং অসিদা রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লক্লিবনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সেক্রেটরি, (লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস), মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা রেসপোন্দেন্টশিং ওইরগা প্রাইভেট রেসপোন্দেন্টশিংনা লাইশ্রম মিনোতি এলিয়জ মিনা (৩০) অপোকপা লাইশ্রম বিরেন থাংমৈবন্দ থিঙেল লৈকায় অমসুং প্রোফোর্মা রেসপোন্দেন্টশিংদনা মহাক্কী মপুরোয়বা ওইরিবা বলাজি মেচিনরিজকী প্রোপ্রাইটর রোম্মেল নাম্রাম অমসুং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন চার্জনি।

নেন্সি পোৎশংবমনা হায় কোর্টতা ফাইল তৌরল্লিবা পিটিসন অনীসিগী মনুংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## ষ্টেট ৫ দগী লাকপা পেসেঞ্জরশিং টেষ্ট তৌবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): মহারাষ্ট্রা, কেরলা, ছটিষ্টগর, মধ্য প্রদেশ অমসুং গুজরাটতগী ফ্লাইট তোংদুনা লাকপা পেসেঞ্জরশিং ঙসিদগী ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হেক থুংবগা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবা হৌখ্রে।

ষ্টেট ৫ অসিদা নৌনা কোভিদ-১৯গী কেস থেংনবগী চাং খঙহেন হেনগৎলকখিবগা মরী লৈননা ষ্টেটশিং অসিদগী লাকপা পেসেঞ্জরশিং টেষ্ট তৌরগনি হায়না হেল্থ সার্ভিসেসকী দিরেক্টরনা লাউথোকখ্রবা মতুংদা ঙসিদগী টেষ্ট তৌবগী থবক অসি হৌখিবনি। ঙসিগী ওইনা ষ্টেট ৫ অসিদগী লাকখিবা নুপা ২৫ অমসুং নুপী ৯ য়াওনা মীওই ৩৪ টেষ্ট তৌখি। মদুদা পেসেঞ্জর খুদিংমক নেগেটিভ ওইখি হায়রি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টতগী ফংবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা পুন্না মীওই ৪৫,৯৪৯ কোভিসিল্ড ভেক্সিন কাপখ্রে। ভেক্সিন কাপখ্রবশিং অদুদি হেল্থ ক্যার ৱার্কর ২৯,৭২২ অমসুং ফ্রন্ট লাইন ৱার্কর ১৬,২২৭ নি। ঙসিগী ওইনা হেল্থ ক্যের ৱার্কর ৫৬ অমসুং ফ্রন্ট লাইন ৱার্কর ২,৪৭৯ পুন্না মীওই ২,৫৩৫ তা ভেক্সিন কাপখি।

কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা নুপা ২ অমসুং নুপী ৫ পুন্না জেনরেল পোপুলেসনগী মীওই ৭ নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনিমসতা ৪, সিজ হোস্পিটালদা ১ অমসুং হিলসাইদতা ২ থেংনখিবনি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টতগী ২, ইম্ফাল ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## স্কুল কারমদবা ওজা ১১ অমগসু সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): স্কুল কারমদবা ওজা ১১ অমগসু সস্পেন্দ তৌখ্রে। দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস) না ঙসি হীরম অসিগী মতাংদা ওর্দর অমা থোকখ্রে। সস্পেন্দ তৌখ্রবা ওজাশিং অদুদি লমলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওজা ৯ অমসুং খোঙহাম্পাৎ হায় স্কুলগী ওজা অনীনি।

মিনিষ্ট্রিএল টিম অমনা ঙরাং মাংজৌননা লাউথোকপা তৌদবা লমলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা য়েংশিন খোঙচৎ অমা চৎপদা ওজা ৯ থবক কারমদবা থেংনখি। এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা লুচিংবা টিম অমনা খোঙহাম্পাৎ গভর্ণমেন্ট হায় স্কুল, হৈবোংপোকপী গভর্ণমেন্ট হায় স্কুল অমদি খুরখুল হায় স্কুলদা ঙসি য়েংশিন খোঙচৎ অমসু চৎখি। মিনিষ্টরনা খোঙহাম্পাৎ গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলদা ওজাশিংগী এটেন্দেন্স রেজিষ্টর চেক তৌবদা ওজা অনী অন ওথোরাইজ ওইবা মওংদা থবক কারমদবা থেংনখি। মিনিষ্টরনা স্কুলশিংগী ইনফ্রাষ্টরকচরসু য়েংশিনখি। এদ্যুকেসন সিষ্টেম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা মিনিষ্টরনা তোঙান তোঙানবা স্কুল কয়াদা মখা তানা সরপ্রাইজ ভিজিট চত্তুনা য়েংশিনখিগনি হায়রি।

## পুদুচেরিদা পি আর থম্বদা কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে

ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী): পুদুচেরিদা হান্না লৈরম্না কোংগ্রেস লৈঙাক তুখ্রবা মতুং মখা তানা পার্টি অমত্তনা গভর্ণমেন্ট শেম্নবা ক্লেম তৌরক্তবদগী পুদুচেরিদা প্রদিদেন্ট রুল থম্নদা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ঙসি অয়াবা পীখ্রে।

কেবিনেটকী ৱারেপ লাউথোক্লদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রকাস জবেটকরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা পুদুচেরিগী চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী মফমদগী পোথাখিবদগী কোংগ্রেসনা লুচিংবা লৈঙাক অদু তুখিবনি। মদুগী মতুং পার্টি অমত্তনা গভর্ণমেন্ট শেম্নবা ক্লেম তৌরক্তবদগী গভর্ণর রুল থম্নবা কেবিনেটনা ফিরেপ অদু লৌখিবনি।

লেফটনেন্ট জেনরেলনা পুদুচেরিদা প্রসিদেন্ট রুল থম্নবা খঙহনখ্রবা মতুং য়ুনিয়ন কেবিনেটনা অয়াবা পীখিবনি। প্রসিদেন্টগী এসেন্ট লৌরবা মতুংদা পুন্দুচেরি এসেমব্লি ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## চৈরাও চীংদা লুপা ক্রোর ১৫ চঙনা শেমগৎপা ইকো টুরিজম প্রোজেক্ট শঙ্গাখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী থাংমৈবন্দদা লৈবা চৈরাও চীংদা লুপা ক্রোর ১৫ চঙনা শেমগৎপা ইকো টুরিজম প্রোজেক্ট চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা শঙ্গাখ্রে। প্রোজেক্ট অসি মিনিষ্ট্রি ওফ দোনরগী মখাদা শেমগৎপনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি মণিপুরগী মীওই পুন্নমক পুক্নিং ৱাখল লৈতাফম খঙদনা অয়াম্বা মতমদা য়ুমদগী মপান থোকপা ঙমদনা লৈরকখি। হৌখিবা চহী খরগী মনুংদা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎলকপদগী লৈঙাক্না অসিগুম্বা মখলগী মীয়াম্না ঙাইহাক্তং ওইরবসু পোথাফম ওইনবা থবক থৌরম পায়খত্তুনা লাকখি। প্রোজেক্ট অসি টুরিষ্টশিংগী লমথুংফম অমসু ওইরগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মহাক্না হায়খি, লুপা ক্রোর ১৫ চঙনা শেমগৎপা চৈরাও চীং ইকো টুরিজম প্রোজেক্ট অসি কুমজা ২০১৮ গী মার্চতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা লাক্লম্বা মতমদা উরেপ উয়ুং তল্লম্বনি। ফোরেষ্ট/ইনভাইরনমেন্টকী ক্লিয়ারেন্স লৌবদা মতম চঙবা অমসুং কোভিদ-১৯ গী লায়চৎনা মরম ওইরগা মতম খরা থিঙ্খিখিবা তারবসু চহী অহুমগী মনুংদা মপুং ফানা প্রোজেক্ট অসি লোইশিনবা ঙমখি। অশানবা মীৎয়েং থল্লগা শেমগৎ শাগৎপগী থৌরাংশিং পায়খৎকদবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, ৱেটলেন্দ ওইনা থমগদবা লম্ফেলপাৎতা পাক্তুনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎলকপা মরম্না ঈশিং ঈচাও তোয়না থোকপদগী মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নদুনা লাক্লি।

টুরিষ্ট সাইট অসি য়েংশিনবগী থবক্তা থামৈবন্দগী লোকেল ক্লবশিং য়াওগনি হায়বা ৱাফম অসি পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি। মফম অসি য়েংশিনবগী থৌরাংশিংগা মরী লৈননা অথুবা মতমদা লোকেল এম এল এ অমদি লোকেল ক্লবশিংগা তান্নরগা থৌশিল অমা শেম্লগনি। অহল ওইরবা মীওইশিং অমসুং হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা মীওইশিংনা চীংদোলদা লৈরিবা টাৱর য়ৌবা ঙমজনবা লৈঙাক্না ইলেক্ট্রিক কার ইন্সটোল তৌরগনি। চীংদোল ফাওবা সোলর লেম্পশিং থানবগা লোয়ননা নুমিদাংগী মতমদা মীয়াম্না নীংথিরবা মফম অসি য়েংবদা খুদোংথিবা নঙদনবা সেক্যুরিটি মতিক চানা থমগনি প্রোজেক্ট অসিনা অকোয়বদা খুন্দারিবা মীয়ামদা চাওনা কান্নবা ফঙহল্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯ গী মতাংদা মহাক্না হায়খি, অতোপ্পা ষ্টেট খরদা লৌনগনবা লায়না অসিগী অনৌবা কেস মশীং কয়ামরুম থেংনরকপা মরম্না হৌজিকসু মীয়াম্না চেকশিনবা মথৌ তারি। চিংনিঙাই ওইবা ষ্টেট মঙাদগী প্লেন তোংদুনা লাকপা মীওইশিং বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্তরনেস্নেল এয়রপোর্টতা টেষ্ট তৌবা হৌরে। ইকো টুরিজম প্রোজেক্ট শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা টুরিজম মিনিষ্টর ওইনাম লুখোই, কঞ্জুমর এফেয়রস ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর থোকচোম সত্যাবত্রা, দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রো, থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষন, চীফ সেক্রেটরি ডো. রাজেসকুমার অমদি অতৈ অৱাংবা থাক্কী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

## মণিপুর মীপাল তাঙদবা ষ্টেট ওইহন্নবা হোৎনরি : সী এম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পায়খৎলিবা অত্মানির্ভর ভারত মিসনগী মখাদা মণিপুরবু মীপাল তাঙদবা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা হোৎনরি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ এ ও সীদা লৈবা হোটেল ইম্ফালদা মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদ, দিপার্টমেন্ট ওফ টেক্সটাইলস কম্মর্স এন্দ ইন দষ্ট্রিজনা শীন্দুনা পাঙথোকপা কনফরেন্স কম বাইয়র সেলর মীট হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

হৌখিবা চহী খরগী মনুংদা ষ্টেট লৈঙাক্না চাকহাও অমসুং অতৈ এগ্রিকলচরগী পোথোকশিং মপান লৈবাকশিংদা থাদোকপা হৌরে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, পুনেদা ওর্গানিক প্রদক্টশিংগী আউটলেট অমা হাংদোক্লে। অতৈ অতোপ্পা মেট্রোপোলিটান সিটিশিংদসু অসিগুম্বা মখলগী আউটলেটশিং হাংদোক্লবা পান্দম থল্লি। থৌরাং অসিনা লৌমী অমদি ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## 'মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা ইম্ফাল আর্ট কোলেজ অসি মণিপুর লৈঙাক্না লৌশিনহন্নিংই'



*গ্যানন্দ নাওরেম*

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা ইম্ফাল আর্ট কোলেজ অসি মণিপুর লৈঙাক্না লৌশিনহন্নিংই। মণিপুর লৈঙাক্না কোলেজ অসিবু লৌশিনবীরবদি ফাইন আর্টপু পামজবা মহৈরোয়শিংনা মপান লমদা চৎতুনা শেল তীংনা ফাইন আর্ট তম্বা ঙমজদ্রবা মহৈরোয়শিংগী কান্নবা কয়া ফংহনবা ঙম্লগনি খল্লি হায়না বাল শ্রী ওনর ২০১৬ ফংখ্রবা শৌগাইজম সন্তোশনা ফোঙদোরক্লি।

দিপার্টমেন্ট ওফ স্কুল এদ্যুকেসন এন্দ লিটরেসি, মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট (এম ঐচ আর দি)গী মখাদা ওটোনোমস বোদি অমা ওইনা কোটলা রোদ, ন্যু দেল্লীদা লৈরিবা নেসনল বাল ভবননা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## আর পি এফকী ৪২শুবা মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা লূপকী প্রসিদেন্টনা মীয়ামদা পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪ : মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্না নীংতম লাঞ্জংদা শরুক য়ামিন্নরসি হায়না রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ)কী প্রসিদেন্ট ইরেংবম চাওরেননা লূপ অসিগী ৪২শুবা মপোক কুমওন নুমীৎকা মরী লৈননা মীয়ামদা পীবা পাউজেল অমদা ফোঙদোরক্লি।

পাউজেল পীবগী চেরোল অদুনা হায়, আর পি এফনা মণিপুরদা খুৎলায় পায়বগী লাঞ্জং অমা চঙশিন্দুনা লাক্লি। মসিগী পান্দমদি মাঙখ্রবা মণিপুরগী নীংতম্বা অমুক হঞ্জিনহন্দুনা নুংঙাই য়াইফবা, ৱাৎত-পাদবা, মান্নবা খুন্নাই অমা লিংবনি। মসি নত্তবা ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসন মনুংদা অহেনবা লৈঙাক্লোনগী রাইট তানবা অমত্তবু, ঐখোয়না মণিপুরগী তুংগী মরাইবক লেপকদবা খোঙজং অমনি হায়না লৌবা ঙমদে। মরমদি মদুনা মণিপুরবু কৈদৌঙৈদা মালেমগী থাক্তা পুখৎতুনা চাউখৎ খোঙথাং য়াঙশিনহনবা খুন্নাই অমা ওইহল্লকপা ঙম্লোই। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা মণিপুরবু হেন্না ইন্দিয়াগী ঈরোলনুংদা লুপশিনখিনবগী মরম ওইহল্লক্তুনা মণিপুরগী চহী লিশিং অনী চঙনা শেমগৎলকখ্রবা নীংতম্বগী পুৱারীবু মমি শামহল্লক্কনি। অমরোমদনা মদুনা হৌজিক চঙশিল্লিবা নীংতম লাঞ্জং অসিগী ৱাখল্লোনগা য়েৎনবা ওইনা থোকহল্লক্তুনা মীয়ামগী ৱাখলদা চমম্নবা কয়া লৈহল্লকপসু য়াই। মরম অদুনা অনৌবা য়েৎনবা অমা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা থোকহল্লক্তনবা হোৎনবা হায়বসি মণিপুরগী পুৱারীবু মশক খঙনা অমদি চঙশিল্লিবা নীংতম লাঞ্জং অসিবু ঈকায় খুম্নবা উৎপগী খুদম ওইগনি। নাকল অমদনা ফুরুপ নাইবগী ৱাখল্লোন চেনবা মীওই কাঙলুপ খরনা, মণিপুরবু মচেৎ-মকাই নাইবা খুন্নাই অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনরিবা অমদি মখোয়না খুন্দারিবা মফমশিং অদুগী রাইট মখোয়গী অনীংবা অমদি অপাম্বা খক্তগী মখা পোল্লি হায়না, অপূনবা খুন্নাইগী শক্তমদা শিংনরিবশিং অসি খুদক্তগী হন্দোক্নদুনা অপূনবগী ওইনা চঙশিল্লিবা নীংতম লাঞ্জং অসিদা শরুক য়ামিন্নবগী মতম য়ৌরে। মসি নত্তনা মণিপুরদা খুন্দারিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২


HL Poll

Q: School karamdaba Oja khara Suspend toubagi thouongna Education system fagathanba ngamlagani haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Leingakki orderda state kharadagi Flightta lakpa meeoising test tougani hairaga Busta lakpasinggi wafam pandribasi yaningbra?

Yes 18% No 82%


অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩২.৮৭ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৯.৫৩ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৪১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.১৪

## অস! লোইরেহে!

- মৌনেনা অনকপদগী হেক পুশিল্লকপা অসিদি ঐদি পামজদে।



- থাউ তাঙবা মতমসিদা গাড়ী নেক্নদনবনি, শীংখ্রবা নচানুপানি।


@1.80% অপিকপা শেন্দোইদা @1.80%
সনা Bandhop লৌজরি
Govindajee Gold Mortgage না অনৌবা চহি লাবক্তবগা লোয়ননা মীয়ামদা হান্নদা পিখ্রবা খুদোংচাবশিং অদুগী মথক্তা অনৌবা খুদোংচাবা ময়াম অমসু পিজরি।
☞ সনা সন ১ দা Rs. 7,000/- দগী Rs. 8,000/- ফাওবা লৌবা য়াগনি।
☞ শেন্দোইনা ১০০ দা 1.80% খক্তনি।
☞ করিগুম্বা অদোমগী হান্নদা অচৌবা শেন্দোইদা শনা Bandhop থম্মীখিবা লৈরবদি ঐখোয়না হান্দোকপিরগা, ঐখোয়গী অপিকপা শেন্দোইদা অমুক থম্বগী খুদোংচাবসু পীজরি।
☞ সনা লৌথোকনিংবা মতমদা লৌথোকপা য়াবগী খুদোংচাবশু পিজরী।
সন ১দা Rs. 8,000/- ফাওবগী চাংদা পিজরী @1.80%
For details, please contact.
GOVINDAJEE GOLD MORTGAGE
2nd Floor, Imphal Diagnostic Centre Building, Palace Compound, Govindajee Road, Near Andro Parking, Imphal East.
Office Timing : 9:00 a.m. to 4:00 p.m.
Phone No. : 7085917479
HL-P/8697/20th Feb. to 6th March



LOAN AVAILABLE
VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
GOLD MORTGAGE
• No Guarantor required
• One Day Delivery
Area Coverage: Imphal East | Imphal West | Bishnupur
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar
HL-B/6779/10th Feb. to 17 Mar.